HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও
The Largest Circulated Newspaper in Manipur




রিমসকী স্বছতা এক্সন প্লান কম্মিটিনা শীন্দুনা ইস্টিট্যুট অসিগী জুবিলি হোলদা ক্লাস সিক্সতগী নাইন ফাওবগী মহৈরোয় ১৫০না শরুক য়াদুনা চখগদবা স্বছতা ষ্টুদেন্টস কেম্প হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা

থম্মোয় পাউদম : অমেরিকাগা ইন্দিয়াগা-মরি শোকচিল্লবরা? লামায় ২
লামায় ৪ অহল-লমননা কৈরাক থাবীরম্বসু য়াওই, শাবীরম্বসু লৈ-১
চাইনানা মালেমসিগী মনুংদা লৈরিবা... লামায় ৫
লামায় ৬ 'সুভাশচন্দ্রদি কাঙলুপ, ফুরুপ ১দি লৈবাক ...
লৈঙাক্না নক্সল মুভমেন্ট মুখৎনবা লুচিংবশিং... লামায় ৮
লামায় ১০ জুদোগী ওইনা য়ামদ্রবদা গোল্ড মেদল ১২...

রেদ ক্রোস বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম বিক্রমগী মীৎয়েং মখাদা নম্বোল অমদি বিষ্ণুপুর এ সীগী শেম্বোক ৱাৎলবা ইমুংদগী খনগৎলবা মীওইশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নখিবা



Vol. 48, Issue No. 289 | ইরাই, ৱাকচীংগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Friday, January 24, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

# অমখক্তা ঙাইরবা এম এল এ নাসিরবু ওপোজিশনদা ফমহনবীয়ু হায়রুবদগী জে দি-য়ু, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিট বেসোন তারব্রা

## নেশনল জেনরেল সেক্রেটরি অফক অহম্মদ খাননা ক্ষেত্রিময়ূম বিরেনবু প্রসিদেন্টগী ফমদগী লৌথোক্লে অমসুং ষ্টেট য়ুনিট সস্পেন্দ তৌরে হায়না ফোঙদোরক্লে




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২২দা পাঙথোকপা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদগী মায় পাক্লকখিবা জে দি-য়ুগী এম এল এ তরুক্কী মনুংদগী মঙানা বি জে পি ওনশিনখ্রবা মতুংদা লেমহৌরিবা এম এল এ অবদুল নাসির (লিলোং) বু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফমদা ওপোজিশন এম এল এ অমা ওইনা হাউসতা শকখঙবীয়ু অমসুং ওপোজিশন বেঞ্চতা ফমহনবীয়ু হায়দুনা ঙরাং পার্টি অসিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ বিরেননা গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনবগা লোয়ননা পার্টি অসিনা বি জে পিনা লুচিংলিবা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎলোই হায়না ফোঙদোক্লুবদগী ষ্টেট য়ুনিট বেসোন তাবগী ফীভমদা লৈরে।

চেরোল অসি ঙরাং গভর্ণরদা পীশিনখিবগা ইকান কান্নদনা পার্টি অসিগী নেশনল স্পোক্সপর্সননি হায়বা রজিব রঞ্জিন প্রসাদনসু পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্টনা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি মহাক মশা মথন্তগীনি অমসুং নেশনল লিদরশিংদা তান্নরম্বা লৈতে হায়না অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবনি।

ঙরাংগী থৌওং অসিদগী ঙসি জে দি-য়ু, মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ফীভম করি ওইরিবগে হায়না পাউচে অসিনা ষ্টেট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মণিপুর লৈঙাক্লা চলাইবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি শিনীংচিৎতা হিংলম্লে এল দি সী, একাউন্টেন্ট, স্বিপর য়াওদনা চলাইরকপা চহী ৩ শুরে : উর্মিলা

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** মহৈ-মশিং তম্লিবা মহৈরোয়শিং খক্তা নত্তনা মীপূম খুদিংমক্কী লৌশিংগী পূক্কে ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্লা চলাইবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী ফীভম অঙকপা মওংদা শিনীংচিৎতা হিংলম্বদা নত্তনা লাইব্রেরি অসিগী চীফ লাইব্রেরিয়ন আর কে উর্মিলানা ফোঙদোরকপদা চহী অহুমগী মমাঙদগী ঙসি ফাওবদা লাইব্রেরি অসি এল দি সী, একাউন্টেন্ট অমদি স্বিপরনচিংবা য়াওদনা চলাইরক্লিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্কী ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি য়োৎনা শোক্লবা হঙোইদৌনা ফ্রীং-ফ্রীং কাওদুনা লৈরম্না ফীভম অসিগী মতাংদা পাউচে অসিগা অখন্নরা উনরুবদা চীফ লাইব্রেরিয়ন আর কে উর্মিলানা হায়, হৌজিক লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি অসি চাওখৎনবা হোৎনবদা ষ্টাফশিংগী মশীং য়াম্না ৱাৎপনা ঙমদবা ফীভমদা লৈরে। লৈফম থোকপা ষ্টাফ মশীং শুনা লৈতবদগী টেক্নিকেল সেক্সনদা লৈরিবা প্রেম কৌবা ষ্টাফ অমনা পুরক্লিবা থবকশিংসু ওন্থোক্লা য়ামখ্রে।


ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি, মণিপুরগী চীফ লাইব্রেরিয়ন আর কে উর্মিলা

হৌজিক লাইব্রেরি অসিগী একাউন্টেন্টসু লৈতে, এল দি সী অমদি য়ু দি সীসু লৈতে। ঐহাক্না কুমজা ২০২২দা লাকখিবা মতমদুগী মমাঙদা লৈরমদবশিংদু হৌজিকসু লৈত্রি। অদুবু লাইব্রেরি অসি হেন্না চাওখৎহল্লবদি মোদর্ন লাইব্রেরিগী থাক য়ৌরক্কনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিকসু লাইব্রেরি অসিগী স্বিপর লৈতবদগী ইশাগী কা ইশানা শেংদোকচরি। তঙাইফদনা দেলি ৱেজেসতা অঙন্বা খরা পীদুনা য়ান-য়ানবা শিন্দুনা মেন্নরি হায়বদুনি। চৌকিদারসু লৈতবদগী লাইব্রেরি অসি গ্রেদ ফোর অমনা শঙদুনা লৈরি। মহাক্না শঙবা ঙল্লরোই হায়রকপা মতমদদি চীফ লাইব্রেরিয়ন ঐনা শঙবা তারক্লি। মরম অসিনা ইকায়খুম্নজরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ৱাৎলিবা ষ্টাফশিং হাপচিনবীদুনা লাইব্রেরি অসি অহোবা লৈহন্দনা চাওখৎনবা হোৎনবীয়ু হায়জনীংই হায়রকখি।

লাইব্রেরি অসি মণিপুর লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী মখাদা কুমজা ১৯৫৮দা লিংখৎখিবনি। হৌজিক্তি দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরি তরুকসু ফঙ্কশনেল ওইরে। অদুগা শাবদি লোইশিল্লক্লবা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরি ১২সু সেমি ফঙ্কশনেল ওইরে হায়বা য়ারে। দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরিশিং অসি ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী মখাদা লৈবনি। ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি অসিগী ফর্ষ্ট ফ্লোরগী ফীভমদি লৈঙাক্কী ওফিশলশিং লাক্কুনা য়েংশিনবীরম্বগা লোয়ননা শেমজিনগনি হায়বগী থাজবদি থম্বীরম্লে। লাইব্রেরি অসি ৱর্ল্ড ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# কমলবাবু: হায় কোর্টনা কমলবাবুনা তোংখিবা হোন্দা এক্টিভাগী কম্পেন্সেসন পীনবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** নবেম্বর ২৫, ২০২৪গী অয়ুক্তা লৈমখোংগী ৫৭-মাউন্টেন দিভিজনগী কেম্পসতা এম/এস বিনোদ কন্সত্রক্সননা শূবা থবকশিংগী সুপরভাইজর ওইবদগী কেম্পস মনুংদা মহৌশাগুম মশাগী মথৌ পাঙথোক্লবা চঙখিবদগী নুমিৎয়ুংবা মমাঙ ফাওবা মোবাইল ফোনদা পাউ ফাওনরল্লবা মতুং মফম খঙখিদবা ঙসি নুমিৎ ৬০নি মপূং ফারক্লবা লাইশ্রম কমলবাবুনা তোংদুনা আর্মি কেম্প মনুংদা চঙখিবা মহাক্কী গাড়ী (হোন্দা এক্টিভা) রেজিষ্ট্রেশন নম্বর এম এন ০১/এন-৭৭২৩ (লাইট পিঙ্ক কলর) গী কম্পেন্সেসন পীনবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিরেক্সন পীখ্রে।

লাইশ্রম কমলবাবু মফম খঙখিদবা নুমিৎকী থংনবা নুমিৎ নবেম্বর ২৬, ২০২৪দা মহাক্কী মনাওনুপা লাইশ্রম ব্রজবান্সি অপোকপা লৌখিদ্রবা এল কুমারধননা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিশন (ক্রিমিনেল) নম্বর ২০ ওফ ২০২৪ ঙরাং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎতুনা মখা তাবা ৱায়েল চখখ্রে। চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিশ এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল কে ঐচ তরুনকুমারনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল দল্লিয়ু জামোননা এসিষ্ট তৌখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা দেপ্যুটি এদভোকেট জেনরেল ঐচ দেবেন্দ্রনা লেপ্লগা মহাক্কী জুনিয়র গভর্ণমেন্ট এদভোকেট ঐচ দিমলকুমারনা মহাকপু এসিষ্ট তৌখি।

পার্টি অনীমক্কী কাউন্সেলশিং অসি খক্তা নত্তনা ২/৮ গুর্খা রাইফলসকী কেপ্তেন অশিস যাদবসু ঙরাং কোর্ট অসিদা এপিয়র তৌখি।

কোর্টনা ক্রিমিনেল পিটিশন অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটিগী মায়কৈদগী মসিবু লুচিংলিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী রেজিষ্ট্রার জেনরেলদা সিল্ড কোভরদা পীখৎলকখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# দিমান্দ : শেলগী তেংবাঙ পুবা থাংবা ঙমদ্রে হায়দুনা শিন্থা লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী খা মায়কৈ লমদমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা লল্লোন ইতিক্কী মফম অমা ওইরিবা ককচীং কৈথেলদা হিংনবগীদমক শে গাড়ীশিংদা পুবা থাংবা ঙল্লোইদবা শেলগী দিমান্দ তৌরক্লে হায়রদুনা মসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা শিন্থা লেপ্লগা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।


দান লন্বী ওইনা তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী ককচীং ফাওবা মী পুথোক পুশিন তৌরিবা ককচীং ফাওবা চেল্লিবা লাইট ভেহিকল এসোসিএশনশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

# থিংজিন্দ্রদি শেমদবনি : ন্যু চেক্কোন্দগী পোরোম্পাৎ ফাওবগী লম্বী থিংজিনখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** ৱাষ্ট্রে এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা য়াম্লবা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিন তৌবগী মরু ওইবা লম্বী অমা ওইরিবা ন্যু চেক্কোন্দগী ল্লক্তবদগী লম্বী পরিং অসিদা অকাই-অতোই অমদি কোমকুৎনচিংবা কয়া লৈরকপদগী চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা খম থেংনা অৱাবা পীরকপদগী খোইশাওনরবা


পোরোম্পাৎ দি সী ফাওবগী মরক্তা চৎলিবা লম্বী অসি মতম শাংনা লৈঙাক্লা শেমজি মীয়াম্না থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে। খোঙজং অসি ন্যু ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# য়াইরিপোক : রিপব্লিক দে শরুক য়ারোই : মৈরা পায়বীশিং

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস):** মহৌশাগুম্না থা অসিগী ২৬তা ষ্টেট অসিদসু পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাক অসিগী ৭৬শুবা রিপব্লিক দে থৌরমদা য়াইরিপোক কেক্রু মখা লৈকায় মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়ারোই হায়না লূপ অসিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা কৈরক অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট এল বিনোসখিগী চেরোল অমনসু নুমিৎ অসিগী থৌরমদা শরুক য়ারোই হায়না লূপ অসিনা ৱারেপ লৌরে হায়রি। অদুগা নোংমাইখোং মখা লৈকায় নুপী চাওখৎ থৌরাং লূপ্নসু চপ মান্নবা ৱারেপ অসি লৌখিবগা লোয়ননা রিপব্লিক দে থৌরমদা শরুক য়ারোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# ক্ষেত্রিগাও : খুল ঙাকপা হাৎপা ১সুং ফাবগী মায়োক্তা খোঙজং লেপত্রি




**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ১৪দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পি এসনা কোল্লিবা শলুংফম হায় স্কুল মনাক্তা পুলিস কম্মান্দোনা নোংমৈনা কাপ্পদা খুল ঙাকপা নহা অমা লৌখিদবা অদুগা ৬না ফাজিন্দুনা থল্লকপগী মায়োক্তা ইম্ফাল ইষ্টকী ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চনবা টোপ মখা লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা টোপ অৱাং লৈকায় অমদি মখা লৈকায়গী মৈরা পায়বী লূপনা শীন্দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

# সোশল মীদিয়াদা তাহৈ-উহৈদবা কয়া থাগৎলকপা ৱাকায় ঙাঙলকপা লাইবক থীবনি : সী এম



**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** হন্দক মরক সোশল মীদিয়াদা তাহৈ উহৈদবা অমদি হঙ্গোইনীংঙাই ওইবা ৱাহৈ-ৱাতা অমদি ফোটো-ভিদিও থাগৎলকপা অমদি তম্পাক্কী কম্যুনিটি খরগী মরক্তা তাবা য়াদবা ৱাহৈ ঙাঙনরকপসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়রদুনা সোশল মীদিয়াগী পেজ শেন্নরিবা মীওইশিং অমদি য়ুট্যুবরশিং কৌখৎতুনা ৱার্নিংগা লোয়ননা এৱেয়র্নেস পীনবা পুলিসতা খঙহনখ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বাবুপড়াদা লৈবা মহাক্কী বঙ্গলোগী কেম্পসতা পাউমীশিংগা উনদুনা হায়, মীগী ইমুং অমগী, মীওই অমগী ইকায়খুম্নবা পূম্নমক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# জিরিবাম : জিরিবাম অমসুং ফুঙ্গৈ চীংদগী খূৎশু খূৎলায়শিং ফাগৎখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** ঙসি অয়ূক পুং ৭তগী অয়ূক পুং ৯ ফাওবদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী জইরোলপোকপী অমদি উচারথোল অনীগী লোন্নবদা লৈবা উমংগী শরুক্তা এন্টি সোশল ওইবা মীওইশিং লৈরে হায়বগী পাউ ফংবদগী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৭শুবা আই আর বি, ৮৭ অমসুং ১৫৬ - সী আর পি এফ অমদি ৩৮-এ আরগী কম্বাইন্দ টিমনা চঙশিন্দুনা থি-হুম্বগী থবক চখখ্রে।

কম্বাইন্দ ওপরেশন অসিদা হেন্দ গ্রেনেদ অনী, ৭.৬২ এম এমগী নোংমৈ মরূ ৫৪, ত্রেলভ বোরগী নোংমৈ মরূ ৮, য়ু বি জে এলগী মরূ ৫, মজল য়াওদবা কর্বাইন অমা, কর্বাইন মেগজিন অমা অমসুং সিঙ্গল বেরেল অমা রিকোভর তৌখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক খূৎলায়শিং অসিগা মরী লৈনবা মীওই অমত্তা অফা অপূন তৌখিদে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৪.৩০দগী হৌরক্লগা অয়ূক পুং ৭ ফাওবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৪-এ আর অমদি ৫/৯ - জি আরগা খূৎশম্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী নোংপোক সেকমাই পি এসকী মনুং চল্লিবা ঙমুখোংগী ফুঙ্গৈ চীংগী চীংখোঙদা থি-হুম্বদা সিঙ্গল বেরেল অমা, মেগজিন য়াওবা কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল ১, পোইন্ট ৯ এম এমগী মেগজিন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ ১০, ৱয়রলেস সেট (বাউফেম) অমা, এন্টি-রাইওট গ্রেনেদ ১, ষ্টন সেল অমা, পোইন্ট ৩০৩ রাইফলসকী এম্পটি কেস ৫০, ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# স্কাম নত্তে হায়না পনখিবা লৈতে : কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ :** কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি-পি দব্লিয়ু জি) এম সী য়ুনিফিকেশনগী পি আর ও চীঙ্খোঙানবনা থোরকপা চেরোল অমদা লালহৌলূপ অসিনা থমজখিবা ফাইনেল রিপোর্ট অদুদা ক্যুনেট নোইদা সেক্টর ১৪৩ ওনলাইন টেলিফোনিক বিজিনেশ অসি স্কাম নত্তে হায়বসি রিপোর্ট অদুদা পঙ্খিবা লৈজদে। লূপ্না থমজখিবা ৱারোল অদুদি অপলাইনশিং অদুনা মণিপুরদা থোকপীরক্তুনা মহাক্কী দাউনলাইনশিং অদুগা নীংথিজনা লৈবাক মচা তানা পাউ ফাওনবীদুনা লেজিটিমেট ক্লেম অমসুং ইল্লিজিটিমেট ক্লেম খন্দোকমিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবীয়ু হায়জখিবা খকনি হায়রি।

...মখা লমায় ৬ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# ইশাগী য়ূম-কৈ, ইরল-ইথুম পূম্নমক তাঙ্গোই তানা চাকখ্রবা মতুংদগী ঐহাক পুমঙাও ঙাওরবা মীওই অমগা পাঞ্খক ওইরে

## রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম
### চূড়াচান্দপুরগী থেঙ্গ্রা লৈরক্তগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা মখোয়গী খূৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা মীতৈদা অতম্ননা ওনশিন্দুনা য়েলহৌ ফুরুপ অসিবু মরূ ফংনা মূখৎলগে মতাগুম লেপ্তুনা চখ্থরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা চূড়াচান্দপুরগী থেঙ্গ্রা লৈরক্তা লৈজরম্বদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা মেকোলা গুলাপ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ৬৭ শুরবা মোইরাংথেম রনবিরনা পাউচে অসিদা হায়, মীওইবা অমা কৌবনিনা ঐসু তুংগী মঙলান কয়া অমগা লোয়ননা হিংজরম্বনি। চহী ১/২সিদা


মোইরাংদা লম অমা লৈরগা য়ূম-কৈ শাদুনা ইচাশিংগী পাঙথোকফম থোকপা থৌরমশিং পাঙ্গল থৌনা কল্লিঙৈদা পাঙথোকপীরমগে

অদুগা থবক শূবা-নোম্বা ঙল্লিবমখৈ নোংমগী অঙন্বা শূদুনা শেল তাল্লক্লিবা অসিসু পোথারগে হায়না খল্লমখিবনি। মরুপ অচৌ-অচৌবা কয়া য়ূম শানবগীদমক য়াওখিবশিং অদুসু ফংগদবা থা ২/৩ খক্তা ঙাইরক্লবা মতমদা লাঞ্জেন্নরক্লবনিনা লোইনা মাঙহৌরে। মসিদা নত্তনা তুংশিন্দুনা থমজবা শেলশিং ফাওবা অমত্তা লৌথোকপা নংহৌদে, পূম্নমক মাঙ তাকখ্রে। হৌজিক ঐহাক পুমঙাও ঙাওরবা মীওই অমগা পাঞ্খক ওইরে। চাক চাগনি অমসুং তূমগনি নৎত্রগা চৎকনি হায়বা নীংথিজনা খঙবা ঙমদ্রে হায়রকখি।

নোংমগী শূরগা চাজবা অমসুং লৈকায়দা হোটেল ফমদুনা শিংজু বোরানচিংবা য়োঞ্জদুনা য়াম্না ঈংনা চিক্না লৈজরকখিবনি। অদুবু কুকি লমহেন তুহেনবশিংনা ইশানা লৈরকখিবা য়ূম মৈ থাদোকপীখিবদগী রিলিফ কেম্প অসিদা লাঞ্জেল্লক্তুনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লি। (মথং-মথং)

# ৱাবগাই বফেলো ফর্মগী এরিয়াদা লোৎলম্বা খূৎশু খূৎলায়শিং ফাগৎলে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ৬ লোম তারকপদা থাজবা য়াবা পাউদগী ককচীং কম্মান্দো, ককচীং পি এসকী টিম অমসুং ১২৬-বি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# দেল্লীদা গঞ্জা থানবা হোৎনরম্লে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ১০.১০ রোম তারকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা দেল্লী তম্না পাইগদবা ইন্দিগো ফ্লাইট অমদা গঞ্জা কিলোগ্রাম ১.৬৬০ থাননবা হোৎনরম্বদগী ফ্লাইট অসিগী ওফিশলশিংনা ফারগা শীংজমৈ পি এসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

গঞ্জা অসি ন্যু দেল্লীদা লৈবা ফ্রেঙ্ক রেনো কৌবা মীওই অমদা সেনাপতিগী কাউন্সিল কোলোনিদা লৈবা পোল কৌবা মীওই অমনা থানবা হোৎনরম্বনি হায়রি।

# ইন্দিয়াগী 'রিপব্লিক দে' নুমিৎতা 'টোটেল শটদাউন' লাউথোক্লে : অসুক

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৩ (ঐচএনএস) :** এল্লাইএন্স ফোর সোশলিষ্ট য়ুনিটি, কংলৈপাক (অসুক) কী পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভিনর এস মঙালনা থোরকপা চেরোল অমদা ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে নুমিৎতা টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, চৎলিবা থা অসিগী ২৬ অসি ইন্দিয়াগী রিপব্লিক দে নুমিৎনি। কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬ অসি নীংখা তম্লবা ইন্দিয়ানা মশানা শেমজবা কন্সটিট্যুশন চৎনবা হৌরগনি অমসুং নৌনা শেম্লিবা লৈবাক অসি (নিংথৌগী লৈঙাক নত্তবা) 'মীয়ামগী লৈঙাক' হায়বদি 'রিপব্লিক' ওইরগনি হায়না লাউথোকপা নুমিৎনি। নুমিৎ অসি ইন্দিয়া মচাশিংগীদি য়াম্না চাওথোকচবা, চহী লিশীং অমা হেন্না মীখা থারক্লবা মতুংদা মালেমগী লৈবাক অতৈগা মীমান্নবা হৌরকপগী অহানবা খোঙথাং থাংখিবা অচৌবা নুমিৎনি। মণিপুর মচা ঐখোয়গীদি ইশানা শেমজবা 'দেমোক্রেটিক ওইবা লৈঙাক' অমা ওইরম্বদগী 'মীতোপকী লৈঙাক' মখাদা চঙখিবা অমদি 'লোইলম মচা, মীনাই ওইখিবা' নুমিৎনি হায়রি।

ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা মণিপুরবু বৃটিশনা থাদোক্লমদুনা নীংখা তম্বা মণিপুর অমা ওইখিবা অদুগী মমাঙ জুলাই ১, ১৯৪৭তগী হৌনা মণিপুরদি 'মীয়াম্না ঙাকচবা লৈঙাক' (টেক্নিকেল্লি রিপব্লিক হায়বা য়াদ্রবসু দেমোক্রেটিক ওইবা লৈঙাক) অমা ওইখ্রবনি। ...মখা লমায় ৬ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫